# ম্যুজিক ওফ জপান







রন্দোল্ফ মোইরাংথেম

***মালেম*** লৈমা ইমাগী মশাইকোন্দা ঈথৎ মচা খরা পুনশিল্লগা লৈরিবা জপান কৌবা লৈবাক অসিগী ঈশৈ-নোংমাই মালেমদা মমিং চৎলি। (Onjku) মালেমগী মীয়াম্না ঙাঙনরিবা ইংলিস হায়না খঙনরিবা লোল অসিদা জপানগী লোল Onguka হায়বসি লোন অনীনা তপশিন্নরগা শাই। মখোয় অদুদি (1) Kanj অমসুং (2) Gaku হায়রিবা ৱাহৈ অসি পুনশিল্লগা ওঙুকা হায়। ইংলিস লোন্দা ম্যুজিক হায়বা ৱাহৈ অসি শেম্মী। কৈথেল ওইনা US$ Billion 2, 2014 দা য়োনখি। অসুম্না জপানগী শৈশকপশিং অমসুং শৈশকপীশিংনা খ্বাইদগী মকোক্তা হায়বদি ৫০ গী মনুংদা ঈশৈগী এলবম য়োল্লি। ৱেষ্টর্ন ম্যুজিক্তগী জপানগী ম্যুজিক্তি মেথমেটিকেলগী ওইবা য়াম্না কুপ্পা বীটশিংদা মমা মপা ওইরি। জপানগী নাৎকী ওইবা ম্যুজিক মখল অনী অনী লৈ। হায়রিবা মখল অনী অসি জপানগী মীয়াম্নসু য়ানৈ। লোয়না লোয়ননা হায়রিবা ঈশৈ মখল অসি জপানগী ওইনদি খ্বাইদগী লিরবা মথায় থায়নগী নাৎকী ওইবা ঈশৈশিংনি। মখোয় অদুদি Shomyo, Budhist শিংনা লাই খুরুম্বদা থিবা লাইরোল মওং অদু ঈশৈগী মওংদা থিবনি অদুগা অতোপ্পা অমদুনা gagaku কৌই। মসিগী ঈশৈ মখল অসিনা ঈশৈ শকফম কাশিংদা শকপা ঈশৈ মখল অমনি। ঈশৈ মখল অনীমকসি Nara অমসুং Heian গী মতমদা ঈশৈ শকফম কাশিংদা শকই। Gagaku হায়রিবা ঈশৈ মখল অসিনা ক্লাসিকেল ম্যুজিক্কী মওং মাল্লি । অদুগা মৈদিংঙু Helan গী মতমদগী ঈশৈ অসি শক্লকপদুনা হৌজিক ফাওবা শক্তুনা লাক্লি। Kagakura-uta, Azuma - asobi অমসুং Yamato-ula হায়রিবা ঈশৈ মখলশিং অসিনা জপানগী নাৎকী ওইবা ঈশৈশিংনি অমদি অতেনবা মতমদা মী অমদগী হেনবা মীয়াম চঙদুনা ঈশৈ মখল মখলশিং শক্কদবনি।

The biwa (chinease pipa) medolin গুম্বা ম্যুজিক্কী খূৎলায় মখল অমনি। (Biwa hosthi) হায়রিবা খূৎলায় অসিনা ৱারীশিংদসু মতেং পাঙলম্মী। খ্বাইদগী ফাওবা ৱারীশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা The Tale of the Heike, 12th শুবা চহী চাদা মহাক্কী ৱারী অসি য়াম্না ফাওরম্মী। লোয়না লোয়ননা মিনামোতো শাগৈবু তায়রা শাগৈনা খুদুম চল্লম্মী। The taiko হায়বসি জপানশিংগী থিন্নবা পূং মখল অমনি। হায়রিবা পুং মখল অসি অচৌবা মচানচিংবা মখল মখলগী মওংদা শাই অদুগা মখল মখলগী ম্যুজিক্কী ওইবা ঈশৈনচিংবা, খোংনবা খূৎলায়শিংনা শক্লকপদা অমদি খোংলকপদা য়ৈ। হায়রিবা পুং অসি মণিপুরগী মীতৈশিংগী লাংদে কবুইশিংগী গান ঙাই কুম্মৈদা অমদি মণিপুরগী অতোপ অতোপ্পা ফুরুপশিংদা য়ৈনরিবা পুংশিংগা অয়াম্বা মওং মতৌদা মানৈ। পুং অসিগী মতিক মগুণশিং অসি অতৈ পুংশিং অমসুং খিংনবা খূৎলায়শিংদগী য়াম্না হেন্না পাম্নবা হৌরকই অমদি পুং অসিনা য়ৈনবা অমদি খিংনবশিংগী উৎনবা থৌরমশিংদা (percussion ensemble) ময়ায়দা ফমফম ফংলকখি। মসিগী পুং অসি হান্নদি নাৎকী ওইবা থৌরমশিংদত্তা য়ৈরম্বনি। তাইকো হায়রিবা পুং মখল অসি কুমি-দাইকো কৌবা অচৌবা পুং ঙাক্তগী ওইবা কুম্মৈদদি পুং মখল অসি পুংজাউ ওইনা য়ৈ।

পুং অসিগী পারি পুরি থিবদা চপ চাবা হৌরকফম খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক ৭ শুবা চহী চাদা লৈবাক্লা শাবা মওং মতৌ মান্নবা পুং অমগী শক্তম থেংনৈ। মসিনা পুং অসিগী পারি পুরি ওইগনি হায়না থাজনরি। হায়রিবা পুং অসি মতম অদুদা শাবাও লানবাউদা য়েক্লবশিংনা লান দারকপা মতমদসু শীজিন্নরম্মী। Budhism অমসুং Shinto শিংগী লাইনীং লন্বীদসু মসি শীজিন্নরম্মী। মমাঙৈদদি পুং অসি অশেংবা হায়বদি পূন্নমক থাদোক্লবা মীওইশিং খক্তনা য়াম্না মরুওইবা থৌরমশিং খক্তদা য়ৈরম্মী। অদুবু মতমগী মতুং ইন্না অহোংবা হায়বদু লাক্তুনা অশেংবা হায়বদি মালেমগী চৎনবী অৱা নুংঙাই পূন্নমক থাদোক্লবা মী খক্তনা য়ৈরম্বদু হোংলক্তুনা অতৈ মীশিংসু য়ৈবা য়ারম্মী। মসিগী মথক্তা তঙ্খায় অমা মালেমগী অৱা নুংঙাই থাদোক্লবা নুপাশিংখক্তা নত্তনা নুপীশিংসু য়াম্না তাঙনা অখন্ননা য়ৈবা য়ারম্মী। তাকো হায়রিবা জপানগী পুং অসি পুং ঙাক্তগী ওইবদা (Drums Ensemble) ঐখোয় মীতৈশিংগী ওইনা হায়রবদা ধুমেন হায়বদুনি। হানা দাইহাচি ওগুচীনা য়াওবিয়ু হায়রকপদগী কুমজা ১৯৫১ দা মখল মখলগী পুংয়াম য়ৈনবদা অচৌবা ফমফম অমা ফংখি। কুমজা ১৯৫১ দা জাজগী অফাওবা দ্রমর Daihachi Oguchi না মহাক্কী অনৌবা তাইকো পুংশিংগীতা ওইবা তাইকোগী ফজরবা খুদোল অমা মীয়ামদা উৎখি। অদুদগী মথং মথং Oguchi ম্যুজিক্কী ওইবা খূৎশেশিং হায়বদি ম্যুজিক্কী ওইবা য়াম্না ফজরবা ঈশৈশিংগী মরক মরক্তা শরুক য়াবা হৌরকখি । হায়রিবা খূৎশে অসিগী মওং মতৌ খুদিংমক ওগুচিননা শেম্বা ঙাক্তনি। অসুম্না ওগুচিগী মথৌ য়াম্না য়াওরবা থাঙশাংগুম্লবা মহাক্কী ঈশৈশিং কাঙলুপ অসি জপানগী কাচিন কোয়া য়ৌনা ফাওই। মসিগা লোয়না লোয়ননা Hokuriku region হায়রিবা লমদম অসি তাইকো ম্যুজিক্কী য়াম্না মরুওইবা মফম অমা ওইখি।

মতেং লৌজখিবশিং ঃ ১) ম্যুজিক ওফ জপান
(২) অইবনা মশানা থিজিঞ্জখিবশিং ।

# মাঙলোমদা চৎসি, মনিং হনবা তৌহল্লোইসি

এম থম্বৌ সিংহ
সেক্রেটরি, ককচীং খুনৌ মখা হায় স্কুল

***লমদম*** অমা চাওখৎহনবা হায়বসিদা পৈশা ময়াম থাজিল্লগা লমদমদু চাওখৎপা কৌবা য়ারোই। মফম কয়া পুংঙৌ ঙৌনা শেমখ্রবসু লৈরিবা মীওইশিংদুনা মশাদা চাওখৎপগী মমি নিংথিনা তাদ্রবদি লমদমদু চাওখৎপা শুকয়া য়ারোই হায়বদা অরানবা ওইরোই। চাওখৎনবা হোৎনবদা মরুওইনা চঙগদবা মচাক অসি মীপুম তিংনা মহৈ মশীনগী মঙাল নিংথিনা ফংহন্দুনা তিঞ্জং কায়জংদবা নহা ময়াম শেম্বীবা, মসিনা খ্বাইদগী মথৌ তাই। অদুগা লোয়ননা মী অয়াম্বা থবক শুবগী হৈনবী লৈহনবা, অরেম্বদা মতম মাঙহন্দবা মদু ওইরবদি চাওখৎনবগী লম্বেলদা চঙশিনবা ঙমগনি।

ঐখোয়গী লমদম অসিগী মীওইশিংগী মরক্তা শুবা নোম্বগী হৈনবী কয়া ৱাৎনা উবগুম তৌরি। লমদম অসিগী ইমুং খুদিংগী মীওই অমমমদা লুপা লাক্ষ তরা-তরা পীশিল্লবসু মদুনা কান্নবা লন্বীদা শীজিন্নবা নৎতনা চাথোক-থকতোক্তুনা অরেম্বদা পৈশা ময়াম লোইশিন্নবা হোৎনবা, শুবা-নোম্বগী হৈনবীদি লৈতবা অদু ওইরবদি চাওখৎপদি লায়রদনা মীপুম খুদিং ফৎতবা হৈনবী ময়াম অমনা লৌখৎলকপা য়াদ্রবা খুন্নাই ওইরক্কনি। অদুনা মীপুম খুদিং ৱাখল তাবা, অঙাংদগী অহল ফাওবা মশা মশাগী মথৌ মশক খঙবা য়াম্না মথৌ তাই। অরেম্বদা শেল চৎহনখিগদবগী শরুক অঙাংশিংবু মশক নাইবা মীওই অমমম ওইহন্নবা হোৎনবরোমদা শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ। মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু অফবা মায়কৈদা লমজিংবিরবদি অঙাংশিং অদুগী ৱাখলদা ফত্তবা থবক তৌগে হায়না খনবসু ঙল্লোই। পূন্নমক লৌশিংগী মঙাল ফংহনগে হায়রবদি এদ্যুকেসন য়াওদবা শুকয়া য়ারোই। অদুনদি ঙসিগী মপি মপা ওইরিবশিংনা এদ্যুকেসন্দা মায়পুনবা থবক অহানবা ওইনা পায়খৎফম থোকই।

ঙসিগী মপি-মপা ওইবশিংনা অঙাংবু নিংথাদগী হৌনা শেম্বীবা মথৌ তাই। অঙাং অমা হেক পোল্লকপগা মরোল থোক্লক্তে। খরা লৈরগা মমা নৎত্রগা মপা কৌবা হৈরক্লবা মতুং ইমুংগী মীওইশিংনা ঙাঙবা-শকপা তারবা মতুং মখোয়সু ঙাঙবা-শকপা হৈরকপনি। ইমুংদুগী মমাদুনা ইংনা তপ্না, ফজবা ৱাঙাঙ ঙাক্তা ঙাঙ-শকপা তৌরবদি অঙাংশিংসু মখোয়গী মতৌ তম্লকই। অঙাংনা চহী ৩-৪ শুরকপা মতমদা ইমুংদা ঙাঙনবা অকাম্বা লোন ময়াম অমা তারগা অঙাং অদুসু ঙাঙবা য়াওরকই। মসিদসু নত্তনা মমান্নবা মমান্নবী কয়ানা ঙাঙবা তাবদগীসু মতৌ তম্লকই। অঙাংশিং অদুগী মমা মপা, অহল লমনশিং অয়াম্বা মতমদা ৱাহৈ ৱাতা ফজদনা অকাম্বা ৱাহৈ ৱাতা ঙাক্তা ঙাঙই হায়বা তাকপনি। অদুনা অঙাংনা তম্লকপনি, অঙাংনা মচিন থিবা মমা পূক্লুংদগী য়াওরকপা নত্তে। ইমুং অমা ফরগা অকোয়বা ফৎত্রবদি মপূং ফাবা য়াদে। ইমুং খুদিং ৱাঙাঙ শাঙাঙ চুম্বা য়াম্নমক মথৌ তাই।

অঙাংনা মথক থোংবা অহল লমন মরুওইনা মমানা ঙাঙবদা থুনা লৌশিনবা ঙল্লিবা অসিনদি করিগুম্বা মমা অদুনা লাইরিক লাইশুগী মরমদা তৎতনা ঙাঙবীরবদি অফবা ওইফম থোক্তবরা? অদুনদি ঙসিগী মমা ওইগদবা কয়া অসি মহৈগী মঙাল নিংথিনা ফংহনবা য়াম্নমক মথৌ তাই। ঙসিগী চাওখৎপগী লমজেল য়াওবা তারবদি এদ্যুকেসন অসি য়াম্না মরুওইনা খন্নফম থোক্তবরা? মসিদা মমা ওইগদবা খুদিংনা এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংবা মতমদা লৈঙাক্কী চাওরবা থৌদাং মথৌ তাই। লৈঙাক্লা অতৈ হীরমদগী এদ্যুকেসনদা অহেনবা মিৎয়েং চঙবীদুনা শেল তিংদবা, লৈত-লায়র কয়াগী মচা মশু লেম্না মহৈ তম্ফমশঙ ওইরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিং অমদি এদেদ স্কুলশিংগী ফীভম নিংথিনা য়েংশিনবীবা, এদেদ স্কুলশিংগী দরকার ওইবা মচাক কয়া পীবিবা অমদি ওজাশিংগী মপূক্লিং পেলহন্দুনা স্কুলশিং অসিবু ফগৎহনবদা অকনবা মিৎয়েং চঙবীরবদি লৈত-লায়রা কয়াগী অৱাবা কোক্কনি অমদি পৈশা তিংদনা অফবা মতিক চাবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্তুনা লৈবাকসিদা শান্তিগী লন্বী লাক্লবা লন্বী অমা ওইগনি। অদুদি নত্তনা লৈঙাক্কী থৌশিল শোয়বদগী এদেদ অমদি লৈঙাক্কী স্কুলগী ফীভম ফৎতবনা মরম ওইরগা শেল য়াম্না তিংবা লন্নাইগী মহৈ তম্ফমশিংদা অরৈ লৈতা থিদনা তমহল্লিবনি। এদেদ অমদি লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মহৈরোয়গী মশীং হন্থরক্লিবনি। মসিনা মীচম মীয়ামগী শেনথুমগী ফীভম য়াম্না শোকহল্লি।

লৈঙাক্লা অমদি লৈঙাক্কী লোইশঙনা য়েংবীদনা নমশিনবীদুনা থম্বীরবা স্কুল অসি করম্না ওজাশিংনা মথৌ নিংথিনা তৌনীংফম থোকপগে? অমদি মদুনা মরম ওইরগা এদেদ স্কুলশিংদা মেত্রিক পরিক্ষাদা পাস তৌবগী চাং হন্থবগী মরম ওইরিবনি। লৈঙাক্লা অৱাৎ অপা ফজনা য়েংবীদুনা লৈঙাক্কী লোইশঙনা ফিল্ডদা চৎপীদুনা হাপ্তা অমদা অনীরক নৎত্রগা অহুম্লক স্কুলশিংদা চৎতুনা য়েংশিনবীবা মতমদা ফরোইদবা স্কুল অমা ফাওবা লৈরোই। অদুগীসু মথক্তা মহৈরোয়গী গার্জিয়ানশিংনসু য়াম্না অপেনবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি।

পৈশা ময়াম খরচ তৌগদবা, মিং চনবা, লাইরিক লৈবা, ফী হুনবা পূন্নমক অসিসু কনবা, স্কুলসু ফরবা অদু ওইরবদি অফবা হায়বা অদু অদুম ওইরে। অদুনা লমদম অসিগী মীওইশিংনা মশা মশাগী মরমদা লৈবা এদেদ অমদি লৈঙাক্কী মহৈলোইশঙ পূন্নমক কূপ্না য়েংশিনমিন্নবা য়াম্নমক মথৌ তাই। মদুনা পূন্নমক্কী শেল থুমগী ফীভম কন্দুনা অফবা খুন্নাই অমগী আশা অদুদা লাক্কনি। পূন্নমক অসি য়েংঙুরগা এদ্যুকেসনবু লমদম অমগী খ্বাইদগী মরুওইবা হীরমনি খন্না অকনবা মিৎয়েং চঙফম থোকই। মদুতনা মমাঙলোমদা খোংলৌ খূৎলৌদনা চঙশিনবা ঙমগনি। অদু নৎত্রবদি মাঙদা চৎপদি লায়রদনা মনিং হনবা ওইনা থোক্কনি।

# লাইখাগী অশেংবা নুমিৎ

—য়াইস্কুল খ্বাইরাকপম—

***অদুঙৈ*** লাইগীদি মমৈ মীগীদি মকোক থাংজ খোংজোম্বা নিংথৌনা তাইবঙ অসি ঈশিংনা তরং মালং ওইনা লৈবা মতমদা শাফগদবা অকংবা মফম থিদুনা সঙাংইথেলদা নিংথৌ ওইনা পাল্লমই। মতম অদুদা মাগী নুপী লৈনুংয়াম্বীদি মশাদা লাইথুং চামনিপান থুংদুনা নারমই। লৈবাক নিংথৌ মপী-মপা ওইবশিংনা লাইথুং থুংবা নুপী লৌরবদি লৈবাক্কী মপু ওইবা য়ারোই হায়না ঙাঙনরকপদগী মাগী হান্নগী নুপীদু কায়নরগা সনা মিরাং লৈমা লৌরগা অমুক নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না পাল্লমই। অসুম্না নুমিৎ শিংবুম কয়া, লোইতাম থাবুম কয়া হৌখিরমই।

মতম খরা হৌখ্রবা অদুদা নোংমদি নিংথৌনা মাগী মনাই মশলশিংগা লোয়ননা শা তানবা লেঙলকই। অদুবু য়ারৌ শাদি অমা ফাওবা ফাদবা অদুগা চেক্লা খুনু অমদি ফারমই। খুনু অদু লৌরগা চারসে হায়নরকপদা মৈসু য়াওরমদ্রে। তোঙান্না লৈরম্বা য়ূমদোম্পোক অদুদগী মৈ লৌরগা খুনু অদু লৌরমই। য়ূমদুদা লৈরল্লিবী লৈমদু চেংলৌ অসুক্কী মতিক হেল্লমই। খুনু লৌনা লৌনা লৈমদু য়েংলিঙৈদা মাগী মশক মতৌ ফজবদুনা মনাইশিংদু শুক্মৎখিরমই। খুনু লৌরি হায়বা কাউনখি। খুনু কাখ্রে তাঙ্গোই তাখ্রে। নিংথৌনা খুনু চারসে হায়রকপা মতমদদি মনাইশিংনা ইনিংথৌ! খুনুদি লৈমা য়েংলিঙৈদা কাখ্রে হায়রকই। মদুদা নিংথৌনা হায়রকই ইনাইশা! মদুগী লৈমদু নহান মতম অমদা ঐগী লৈমা ওইরম্বনি। লৈবাক মীয়াম্না য়ানরক্তবদগী ঐহাক্তা কায়নখিবনি হায়রকই। মনাইশিংনা অমুক হায়রকই - ইনিংথৌ! মসিগী লৈমসি অমুক পুখ্রসি হায়দুনা নিংথৌ অমদি মনাইশিংনা অমুক হন্না পুরক্তুনা নুংঙাইনা পাল্লখি। মতম্না লাকপদা লৈমসু খোয়জি খাগী মিহুল তম তাউজিং হৈরু তম্লে।

নিংথৌনা সঙাইথেন্দগী লাক্লগা কৌব্রু মাগী মশাইকোলদা চীংপল অচৌবা অমা শাদুনা ঈশিং থিংলমই। অদুবু চীংলাইনা হুৎখিবনা মরম ওইদুনা ঈশিং থিংবা ঙমদ্রে। শোমদা মমাগী পিবুক্লুংদগী কোরৌ শীংপুম য়ামদুনা লোইতাম থাপুম ফারক্লবা নাৱা অদুনা মমাগী পুক্লুংদগী ঙাঙলকই। 'ইমা! ঐসু পন্থৌ ইপাগী থৌরৈ তেংবাংবা চৎকে হায়রকই।' মথং নোংঙানবদা নাৱা অঙাং অদুসু তাইবঙপান ফাওরক্লে। হেক পোকপগা হায়রকই 'ইমা! ঐগী তরা চাকয়োম য়োমমো পন্থৌ ইপাগী মার খোঙ্গুল লীরুগে।' মমানা ইবুংঙো! নঙদি খোয়রী নাউফম ফাওবা কেন্দরি। চৎখিগনু হায়না খাল্লকই। অদুবু নাৱানা য়াবা কৌবা লৈখিদে।

পন্থৌ মপাগী খোঙ্গুল লীবা সঙাইথেন্দগী হাইগৎলকই। অঙাং নাৱা অসিনা অসুম অৱাং পাংনা হাইগৎলকপদা মাগী খোয়রী কেল্লে। মফম অসিবু হৌজিকসু খোরী খুল (খুরখুল) হায়না খঙনরি। অমুক অৱাং পাংনা কারকপনা নাৱা অদুগী ঈনুং পূন্নমক কংখি (খমখি) হায়বদগী হৌজিকসু ঈখম হায়না তেংথানৈ। খরা অমুক চৎলগা মমানা য়োম্বীরকপা চাকয়োম অদু চরা ৱাল্লি হায়বগীদমক চরা ৱানফম হায়না খঙনরি।

পন্থৌ মপানা চীংপল শাদুনা পল থিংবা অদু য়াদ্রবদা মপাগী থৌরৈ তেংবাংদুনা থিংবদা য়ারে। মদুগী খজিক মখাদা মানা চীংপল মচা অমসু অমমুক থিংলে। হৌজিক্তি চীংপল শাবা লোইরে। অসুম্না চীংপল অচৌবা, চীংপল মচা হায়না অনী থোক্লা থিংখি। ঈশিংনা তরং মালং ওইরম্বা ঈশিং কংলে। কংলৈ সনা লৈবাক কৌখ্রে। অঙাং নাৱা অদুবুসু অৱাং কৌবা মপূ নিংথৌনা মাগী পাঙ্গল অদু উবদা পাঙ্গলবা হায়না মিং থোল্লে।

চীংপল অদুনা থিংকৎলিবা ঈশিং অদুদা চীংপল পলশাবা য়াওবা মীয়াম পূন্নমক নুংঙাইনা ইরু মায়থজনবা পামেল অচৌবা অমা চিংথদুনা মীয়াম্না উদুদা তোংদুনা ইরু মাইথজনরে। মদুদা পাঙ্গলবনা ঐদি লোইরে। মীয়াম পূন্নমক কুমথবিরো হায়রকপদা অঙাং অসিনা কুমথখিবদা করি তৌগদবনো হায়দুনা করিসু ৱা ওইনা লৌদনা কুম্মো, কুম্মো হায়রকপদা অঙাং নাৱা অদু হেক কুম্বদা মাদি লাইগী শায়োল ওইবনা পামেল উজাউ অদু ঈশিংদা চূপ লূপখ্রে। উজাউ অদুনা মী ময়াম মা নন্দুনা শিনখি পামেল অসিগী মিংলেনবু মীশি (মিশি) হায়না কৌখি। তাইবঙ পানবা ঐখোয়না হিংলিবখৈ শীং ওইনা থাগনু। শাতল ওইনসু তৌফরোইয়ে হায়না উ অসিবু অথিংবা থম্বীরমই।

নাৱা পাঙ্গলবা লাইগী শায়োন ওইবা অদু উরগা অৱাং কৌবা মপূ নিংথৌনা (কৌব্রুনা) পেল্লদুনা হায়রকই "নাৱা পাঙ্গলবা ও তারো! চীংউ ঐগী অৱাংবা খুফম অসি য়ৌদ্রবসু ঐগী ঈহৌফম অসিদগী তারকপা 'লাইখা' হায়বা ঈচেল অনীগী ইতিনফম অসিদা লাইকৎ শেল, চেঙ-লৈ, থাথরগা মায় অৱাং পাংনা ওল্লগা নঙগী (অনিংবা লাইথুং তিনথুংগী ওইবা) কোক্তু মায়খুম্বী তৌরগা মায় মখারোমদা ওন্না ঈরুপচৌ ও। অথোইবা লাইফম লেনবু ওইবনে" হায়না তাকপীরকই। ৱাহৈ অসি তারগা থাংজখোংজোম্বা, নাৱা পাঙ্গলবা, মনাই মশলশিং সঙাইথেন্দা অমুক হল্লক্তুনা নুংঙাইনা পাল্লরে।

অৱাং কৌবা মপূ নিংথৌনা তাকপীরকপা য়াথং তুংইন্না মমা লৈমগী লাইথুং চাম্মনিপাল থুংবা অদুবু কোক্লবা পাঙ্গলবনা মমাবু খূৎতা য়েংদৌ চৈশু পায়হন্দুনা (শুহন্দুনা) লাক্লে। মতম অদুদি নারক মোংশোং য়াম্বনা সঙাইথেন্দগী লাকপদু লাইখাগী লাইফম অসি য়ৌবদা অহিং নোংয়াই মতুংদা য়ৌরকই। হেক য়ৌবগা লাইফম অসিদা তাকপীরকপা য়াথং তুংইন্না ঈরুপ্পদা লৈমা য়াম্বীরোক্কী লাইথুং চাম্মনিপালমক খঙহৌদনা পুমকোক কোকখিরমই। অসিগুম্বা অশেংবা নুমিৎ অসি ইঙা থাগী পানখৎলকপা তরেৎনি পানবা নুমিৎ অসিনি হায়না ওজাশিংনা তাকপীরমই। পানখৎলকপা ইঙা থাগী ৭ নি অসিদা শগোলশেল নুমিৎ ওইরবদি অমুক্তা হেন্না শেংথোইবা নুমিৎনি হায়না অচেৎপা থাজবা থমদুনা তিনথুং-লাইথুং কোক্লবা ঈরাৎ থৌনি থৌরম নুমিৎসিদা পাঙথোক্লরি। নুমিৎ অসি নত্তবা থা থা খুদিংগী থাবল ফবা, নুমিৎ অফবা, নুমিৎ চৈকাবা, অতৎ-অতেক লৈতবা থৌবুদুগী পক্লবা নুমিৎ থা য়েংদুনা লাইগী তিনগী থৌরম অশেংবা লাইগী ওইবা মফম অসিদা চাক্লোং কচ্চবা, চাক্লেন কচ্চবা, কুমওন থৌরম, নোঙ্গা ঈশৈ শকশোন্দুনা মোইবুং খোঞ্জেলগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা, লৈখিদ্রবীগী মমিং মথা পন্দুনা থিনকৎনরি।

হৌজিক্তি ইরমদম অসিগী ইরৈচা পূন্নমক্লা মীরমদগী খুভম থাদোক্লদুনা শেংলবা খুভম'সিদা মীপুম তিংনা মায় ওনশিন্নরক্লে। তশেংবা লাইখাগী ওইবা ৱারী শীংপুল অসিদি থাংজ খোংজোম্বা নিংথৌ, মাগী লৈমা য়াম্বীরোক, মচা ইবুংঙো পাঙ্গলবা, মখোয়না মমা ইবেম্মা অসিনা লাইথুং চাম্মনিপালমকপু খুভম 'সিদা পুমকোক কোক্তুনা লৈবাক মীয়াম অমদি নিংথৌনা লৈমা য়াম্বীরোকপু অথোইবী লৈমা শিজ ফমথোন হাপ্তুনা সঙাইথেন্দা নুংঙাইনা য়াইবী মরাং কায়না, লৈবাক ঈংনা তপ্না, লৈঙাক পথাপ চুম্না পাল্লখি। মসিদগীনি অশেংবা খুভমনি খঙনরকখিবা।

অদুনা লাইথুং তিনথুং, অৱা-অনা, পূক্লিং ৱাখল নুংঙাইতবা পূন্নমকপু অশেংবা ফিজোল শেত্তুনা মথক্কী মওং মতৌ অদুদা লুপচরবদি কোকপীরি। লুপচবা মতমদা অসুম্না নীংবিগনি "ননাইসু হেবুংথৌ..., ননাই নসু হেবেম্মা... না লুপচরিবা অসি লৈমা অদুনা লাইথুং তিনথুং পূন্নমক কোকপীখিবগুম্না ঙসি কৌবা নোংদগী তিনকোকপীরো হে কুরু!"